# অয়ূক নুমিদাংগী ওইবা মেক-অপ

*“উনশা মখল অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু থবক অমা চৎথোক্লুরগা হঞ্জিল্লকপদা মরেক কারক্লিবা অমদি অমোৎপা পকশিল্লকপশিংবু অরূবা ঈশিংনা চামথোকপা হায়বসি তঙাইফদবনি।... মায় থাদোকপদা চেকশিনগদবদি ফদি নৎত্রগা তাওৱেলনা খক তক্কুনা শীজিন্নরোইদবনি। অথোৎপা খূৎশাগী মতোন্না তপ্ন-তপ্না নৈদুনা অমোৎপশিং চৎখিনবা হোৎনবীগদবনি”*

ডা. অথোকপম খোলচন্দ্র

**মীওইবা** ঐখোয়সি থীরবসু ফজরবসু অতোপ্পনা ‘ফজৈ’ নৎত্রগা ‘মতৌ লৈ’ হায়রগা পূক্লিংদা নুঙাইবা ফাওনৈ। মসিনা তাক্লিবদি মী খুদিংমক ফজবা পাম্মী হায়বসিনি। নহা ওইরিঙৈ মতমদা মশাগী ফজববু অতোপ্পদা উহল্লগা পেঞ্জবা মতাংসু লৈ। অদুগুম্বা নহা ওইরিঙৈগী তেল্লবা মতম অদু অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদসু কাউবা ঙমদে। য়াম্না চেকশিঞ্জবা অহল ওইরক্লবাা মী খুদিংমক্কা ফজববু য়োক্কুনা থম্নে অমদি পাম্বে অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নদুনা নহা ওইনা উননবা হোৎনৈ। শিনফম্না মরম ওইদুনা তঙাইফদনা মশামক মেক অপ তৌরিবা মীওইশিংতা নত্তনা অতৈ শিনফম কয়াদা থবক শুরিবা মখল খুদিংগী মীওই অয়াম্বদা মফম মতমগী মখা পোন্না মেক-অপ অসি দরকার লৈরকই। অদুনা মেক-অপ হায়বসি তঙাইফদনা মীওইবগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী অমা লৈনরি। মেক-অপনা মী অমবু ফজহল্লি য়েংবা নুংঙাইহল্লি হায়বসিদি চুম্লবা ৱাফমনি। মী অমদা মশাগী ওইনা কুচু কুমেন্দা চাং মান্নদবা অমদি দাগফম্নচিংবা লৈবা কয়াবু মেক-অপনা উহন্দবা ঙমই হায়বসি শীংথারদুনা ভেলরি ক্রাগিননা অসুম্না হায়,

*Make-up can do a lot to minimize coloring Variation and to correct minor flows.*

মেক-অপ হায়বসিগী শীজিন্নফম অমদি শীজিন্নবগী মওং অসিদা মান্নদবা কয়া লৈবা অমদি অখণ্ড অহৈশিংনা মখল কয়া খায়রম্বা মরম্না অয়ূক নুমিদাংগী মেক-অপ অসি করম্বা মখলগী মেক-অপ ওইগদগে হায়বসি খন্দোকপা চুমই। মেক-অপকী মখল খায়বগী মতাংদা এক্সপার্টশিংনা য়াম্না কুপ্পা মীৎয়েংদি পীনরমদে। মখোয় মখোয়না নৈনরুবা, প্রেক্ট্রিকেল ওইনা থেংনরুবা থবক অদুগা মরী লৈননা মমিং অমমম থোল্লম্বা ওইনা তৌই। মখোয়না পীনরম্লিবা মোত কয়া অসি য়েংলগা মেক-অপকী মখল খায়বগী মওং অসি মীৎয়েং অনীগী মখা পোন্না খায়বা য়াই।

১) শীজিন্নফমগী মতুং ইন্না মখল খায়বগী মওং
২) শীজিন্নবগী মওং মতুং ইন্না মখল খায়বগী মওং

**অহানবা অসিগী মতুং ইন্না লৈরিবা মেক-অপকী মখলশিংদি :** ক) ফিল্ম মেক-অপ (খ) টি ভি মেক-অপ (গ) ষ্টেজ মেক-অপ (ঘ) প্লেটফোর্ম মেক-অপ (ঙ) ষ্ট্রিট মেক-অপ অসিনচিংবনি।

**অনীশুবা অসিগী মতুং ইন্না লৈরিবা মেক-অপ মখলশিংদি :** (ক) করেক্টিভ মেক-অপ (খ) ষ্ট্রেট মেক-অপ (গ) কেরেক্টর মেক-অপ (ঘ) ষ্টালাইজ মেক-অপ অসিনচিংবনি।

অয়ূক নুমিদাংগী অমদি চৎথোক-খোত্তোকপদা শীজিন্নবগীদমক তৌবা মেক-অপ অসি শীজিন্নফমগী মতুং ইন্না য়েংলবদি ষ্ট্রিট মেক-অপ ওইগনি অদুগা মী অমনা মশাগী হান্নগী মায়ফমবু ইল্লুজন কয়া থোকহন্দুনা ফজবা মওংদা শেমদোক্কুনা তৌরকপা মতমদদি করেক্টিভ মেক-অপ কৌগনি। ফিল্ম, দ্রামা অমদি টি ভিনচিংবগী মেক-অপ তৌবদদি প্রোফেসনেল মেক-অপ আর্টিষ্ট অমগী মথৌ চাউনা লৈরকই। অদুগা অয়ূক নুমিদাংগী ওইবা মক-অপ্তুদি ইশা ইশানা তৌজগদবনা মপুং ওই। মশাদা মেক-অপকী জ্ঞান খরদং লৈরবা অমদি আর্টিষ্টকী গুণ চেনবা মীনা মশাগী ওইবা অয়ূক নুমিদাংগী মেক-অপ তৌরবদি মপুং ফানা মায়পাকপা ঙমই। অদুনা মেক-অপকী মগুণবু ত্বিগগিনা মহাক্কী *গাইদ টু লুকিং গুদ* হায়বদুদা অসুম্না ফোঙদোক্লি,

*Make-up is wonderful tool for creating different affects.*

মেক-অপনা মী অমগী মায়ফমদা অসুক্কী মতিক অহোংবা পুরকপা ঙমই হায়বসিদি অতৈ অখণ্ড-অহৈশিংনসু হায়রম্লবা ৱাফমনি। অদুগা মসিদা ঐখোয়না চেকশিনগদবদি মেক-অপনা মী অমগী মায়ফমবু নীংথিনা য়েকপনচিংবা তৌবদা পূক্লিং থৌগৎনা, ফজহনবা ঙম্বগী মতিক, অরানবা মওংদা শীজিন্নরুরবদি হেন্না থীজিল্লক্লিংঙাই অমদি উনশাদা শোক্লিংঙাই মরম ওইরি।

মী অমনা অয়ূক নুমিদাংগী মেক-অপ অসি পাঙথোকপদা মতম তাঞ্জাগী মখা পোন্না মওং অনী থোক্লা লৈ। মদুদি (ক) চুম্না যূমদা লৈবদা শীজিন্নগদবা মেক-অপ অমদি (খ) থবক অমা চথোক্লমদাইদা তৌগদবা মেক-অপ অসিনি।

চুম্না যূমদা লৈবদা শীজিন্নগদবা মেক-অপ অসি মচু-মমেন্নচিংবা য়াওনা য়েকপা নৎত্রবসু য়াম্না মরু ওইনদি লৌফম থোকই। মরমদি মী অমনা মশা তরু-তনান্না উবা কেথোরকপদা য়েংবা নুংঙাইবা হায়বসি মহাক্কী চেকশিঞ্জবগী মখা য়াম্না পোল্লি। মেক-অপ তৌরিবা থবকসি উনশাবু তরু-তনান্না, কুচু-কুমেন থোক্লা উহনবনি। অদুনা যূমদা, অয়ূক নুমিদাংদা মচাক ইয়াও য়াওদনা মেক-অপ তৌবা হায়বসি উনশাবু চেকশিন্না ঙাক-শেন্দুনা থন্বা হায়বসিনা মপুং ওইবনি। অদুগা অমুকসু মসিদি নুপা নুপী অনীমক্তা পুন্না খঙবদা কান্নবা ঙাক্তনি। উনশাবু চেকশিন্না থন্বা হায়বসিদা মরু ওইনা খঙদবা য়াদবা ৱাফম খরা লৈরি।

মীওইবগী উনশা অসি করম্বা মখলগী পোৎশক্নো? মসিনা করি তৌরি? করি তৌরগা মসিগী মপাঙ্গল ফনা লৈগনি। অসিনচিংবা ৱাহং কয়া অসিগী পাউখুম ঐখোয়না থিবা তাই। মীওইবগী উনশাগী মওংসিবু মেক-অপকী শক্লাইরবী ত্বিগগিনা অপাবা তল অনীগী মরক্তা বত্তরগুম্বা তৈরগা শেল্লবা মরোল-মরোল লোনশিল্লবা পোৎশক্কা চাংদম্নরমই। বিজ্ঞানগী মীৎয়েংদা ঐখোয়গী উনশা অসি মরোল অহুম থোক্লা লৈ। খ্বাইদগী মথক ইথং থংবা অদুনা ইপিডমস, ময়াই অদুনা ডর্মিস, অদুগা খ্বাইগী মনুং থংবা মরোল অসিনা হাইপোডর্মিস কৌই। মথক ইথং থংবা ইপিডর্মিস অসি ঐখোয়না কুরাংবান হায়না খঙনরিবা অসিনি - কুরাংবান অসি চয়োল অহুম-অহুমগী মনুংদা অনৌবা অমুক শিল্লি। অনীশুবা মরোল ডর্মিস অসি, টিস্যুশিংনা অমগা অমগা শমজিন্নদুনা শেম্বনি। উনশাবু অনোপ-অতিং য়াহল্লিবা অসি হায়রিবা মরোল অসিনা তৌই। লোয়ননা অঙৈং অশা অমদি অনাবা ফাওরিবা অসিসু মরোল অসিদা লৈরিবা অপীকপা শীংলি (নর্ভ) নচিংবা ময়াম অসিনা থোপতা পাউ য়ৌদুনা খঙহনবনি। হায়রিবা মরোল অসিনা সেবম হায়বা থাউগুম্বগী শরুক অমা থোকহন্দুনা মায়বু থোৎ থোৎ লাউনা লৈহল্লি অমদি বেক্টেরিয়াশিংদগীসু ঙাকথোকই। মনুং ইথং থংবা উনশাগী মরোল হাইপোডর্মিস অসিনা মপানথংবা উনশাগা হকচাংগী অতৈ শরুকশিংগা থেংনহন্দনা থমই। ঐখোয়না উনশাবু চেকশিন্না থম্মনবগী ৱাফম নৈনবদা মপুং ফানবগীদমক অখণ্ড অহৈশিংনা উনশাগী মপান্থোংদা উরিবা ফীভমগী মতুং ইন্না য়েংলগা মখল মখা খায়দোক্লিবা অসিবু মশক তাকপগা লোয়ননা নৈনরকপদা হেন্না মরীক চুমগনি। তোঙান তোঙানবা অখণ্ড অহৈশিংগী অপূনবা মোত য়েংলগা উনশাগী মখল অসি মরি থোক্লা থম্বা য়াই। মখোয় অদুদি ১) কংনা লৈবা উনশা (দ্রাই স্কিন) (২) মরেক কাগনবা উনশা (গ্রীজি/ওইলি স্কিন) (৩) অনীমক পূনবা উনশা (কম্বাইনেশন স্কিন) (৪) চাং অমদা লৈবা উনশা (নোর্মেল স্কিন) অসিনচিংবনি। কনাগুম্বনা সেনসিটিভ স্কিন হায়বা মখল অমসু লৈ হায়না মোত পীনৈ, অদুবু মসি দ্রাই স্কিনগা মান্নবা মওংনি।

**১) কংনা লৈবা উনশা :**

কংনা লৈবা উনশাদি য়েংবদা মরেক মহাও য়াওগন্দে। কুরোন য়াম্না হুগল্লি। অতৈ উনশা মখলদগী খুইজিল্লকপা অমদি লৈই লৈরকপগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। উনশা মখলসি লৈবা মীওইশিংদি নুংথিলগী মতমদা ক্রিম নীংথিনা শীজিন্নদুনা ঈনিল লৈনা *(Moisturiza)* থম্নবা হোৎনগনি। মায় তাবা, সাপোন শীজিন্নবদা ময়াক কন্দবা হকচাংগীদমক শেন্নবা অখন্নবা সাপোন্না শীজিন্নগনি। উনশা মখল অসিদা অথাবা মেক-অপ তৌরকপদা গ্রীজি *(Oily)* ওইবা ফীগা *(Foundation)* শীজিন্নরোইদবনি। অসিগুম্বা মওংগী উনশা অসিগী অফবা অমনা উরিংগুম্বা অপোম্বা মখল অসি লাক্কন্দে।

**২। মরেক কাগনবা উনশা :**

মরেক কাগনবা উনশা *(Oily Skin)* অসিদি মহুপ পৌই অমদি লংখৎতুনা লৈবা থেংনগনি। মরেক কারিবা অদু ময়াক কন্দবা হকচাং সাপোন শীজিন্নদুনা লুম্বু লুম্বু শাবা (হকচাংগী মৈশা) ঈশিংনা নীংথিনা চাং নাইনা চামথোক্কনি। অসিগুম্বা উনশা মখল অসি নুংশাদা খাঙবা ঙম্বগী শক্তি লৈ অদুবু উরিংনচিংবদি থুংগল্লি। নহা ওইরিবশিংদা হায়রিবা উনশা মখল অসি য়াম্না থেংনগনি।

**৩। অনীমক পূনবা উনশা :**

অনীমক পূনবা উনশা *(Combination)* মখল অসিদি লাইবক, নাতোন অমদি খদাংগী শরুক্তা মরেক কারগা অতৈ মফমশিং - খজাই, মীৎকী অকোয়বা অমদি চীনবান অকোয়বনচিংবদা কংনা লৈগনবা উনশা মওংনি। মসি মী অয়াম্বদা ওইগল্লি। অসিগুম্বা উনশাগীদমক খজাইগী শরুক্তা ঈনিল মরাং কায়না লৈহনবা অদুগা অতৈ শরুক্তদি মরেক কাবা উনশাদা চেকশিনগদবা নিয়ম অদুগুম্না নীংথিনা চত্থগনি।

**৪। চাং অমদা লৈবা উনশা :**

চাং অমদা লৈবা উনশা *(Normal Skin)* অসিদি য়াম্না কা হেন্না মরেক কাদবা অদুগা য়াম্না কংনসু লৈতবা উনশানি। মশাগী ওইনা য়েংবা নুংঙাইগনবা উনশা মখলনি। কুচু শেংনা তরু-তরু লৈননবগীমক চাং নাইনা ঈনিল লৈহনবদি দরকার অদুম ওই।

উনশা মখল অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু থবক অমা চৎথোক্লুরগা হঞ্জিল্লকপদা মরেক কারক্লিবা অমদি অমোৎপা পকশিল্লকপশিংবু অরূবা ঈশিংনা চামথোকপা হায়বসি তঙাইফদবনি। মসিদা ঐখোয়না খঙগদবদি মরেক কারবা মায়দা এসিডকী ওইবা শরুক খজিক্তং য়াওরকই। মদুবু আলকালিগী শরুক য়াওরিবা সাপোন্না মমায় চামহন্দুনা উনশাদগী অমোৎপশিং অদু য়াওনা লৌথোকপনি। মায় থাদোকপা মতমদা মায়দা অমোৎপা অমদি সাপোনগী শরুক অমত্তা লৈহন্দনা চামথোক্কনি। সাপোনগী শরুক লৈহৌবনা উনশা শোক্লক্লবগী মরম ওইহল্লি। কংনা লৈবা উনশা *(Dry Skin)* মখলশিংদদি চামথোকপা লোইরবা মতুংদা অমোৎপগী চাং অদু য়াম্না হস্থখিবা য়াই। মখোয় অদুগীদমক মোইচরাইজ তৌরবা (থাউগী শরুক্কা ঈনিলগী শরুক্কা পূন্না য়াওরবা) কোল্ড ক্রিম অমা তৈবগী কান্নবসু লৈগনি। মায় থাদোকপদা চেকশিনগদবদি ফদি নৎত্রগা তাওৱেলনা খক তক্কুনা শীজিন্নরোইদবনি। অথোৎপা খূৎশাগী মতোন্না তপ্ন-তপ্না নৈদুনা অমোৎপশিং চৎখিনবা হোৎনবীগদবনি।

উনশাবু চেকশিন্না থম্নবা তোঙান তোঙানবা পাম্বে কয়ামরুম হীরম অসিদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা তাক্লমই। মদু পূন্নমক লৌখৎতুনা নৈনবদা কা হেন্না পাকথোক্লগা কান্নবা লৈতে। অদুগা মদু পূন্নমক মী খুদিংনা ঙাক্লা চৎপসু ঙল্লোই। অদুবু পূন্ন মক্লা পন্নরম্বা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম খরদি ঐখোয়না উনশাবু কোসমেটিকতমক শীজিন্নরগা তরু তনান্না উহনবা হায়বসিদি তুং কোইবা য়াদবা ৱাফমনি। কনাগুম্বা অখণ্ড-অহৈশিং খরদি চীঞ্জাক্কী মচল অমসুং ইশাগী শাজেল অসিনা হকচাংগী কুচু কুমেন থোক্লা ফজনা লৈননবগীদমক খ্বাইদগী মরু ওইবা পাম্বেনি হায়নফাও লৌনরি। খুদম ওইনা অতেকপা উহৈ ৱাহৈ অমদি অশংবা মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা, লোয়ননা অকংবা (মৈদা য়াইরবা) চীঞ্জাক য়ারিবমখৈ চাদবনা হকচাংবু কুচু কুমেন শেংনা লৈহনবা ঙমই। অদুগা যোগগী মনুং চনবা শাজেল কয়ানসু কুচু ফজহল্লি অমদি উনশাবু মপাঙ্গল লৈহল্লি। হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবগা লোয়ননা মায়গী উনশাবু মরক মরক্তা অথোৎপা খূৎশাগী মতোন্না হকচাং নোইদুনা (মসাজ তৌদুনা) মপাঙ্গল লৈহনবসু দরকার ওই।

ইচম চম্ন, ইমুং মনুংদা লৈবদা উনশাবু নুংশিৎ-নুংশা অমদি অমোৎ অকায় কয়াদগী ঙাকথোক্কুনা থম্বা হায়বসি মেক-অপকী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। মসিগা লোয়ননা থবক ইনখাং চথোক্লমদাইগী মেক-অপ তৌবদসু কোসমেটিক্কী ওইবা মচাশিংসি শীজিন্নরকপদা চেকশিন্দবা য়াদে।।



# মণিপুরদা স্মার্ট সিটিগী মপাঙ্গল




**ইন্দিয়াগী** সহর ৩০৪১ গী মনুংদা স্মার্ট সিটি ওইনবা ১০০ খনগৎলকপদা ইম্ফাল সহরসু মাংজিল থানা য়াওখ্রে। ফর্ষ্ট ফেজ, সেকেন্দ ফেজ হায়বগী অরুম্বা ৱাহৈ শীজিন্নরুদ্রগসু ইম্ফালবু স্মার্ট সিটি অমা ওইহনবা হায়বসিগী মঙলান ওফিসার খরনা মঙদুনা লোইখ্রবনি। মখোয় মখোয়গী ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা চাউর চাউরবা সহর কয়াশিংদুগী মমাঙদা তুং হস্থদনা চৎহল্লিবা ইম্ফাল সহরনি। দিল্লি, পুনে, অহমেদবাদ, গুৱাহাটিগুম্বা সিটিশিংগা লম্বা তৌনবদা অশোইবা লৈহল্লোই হায়না পাম্বোম তিংলিবা ওফিসার খরদুদি চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর, কমিস্নার মাহুদ আর কে দিনেস, দিরেক্টর মাহুদ নেপ্রম গীতকুমার, মশামক্লা লমদমসিগী টাউন প্লানিংগী চীফ টাউন প্লানর ওইনা থৌ পুরিবা অমদি জোইন্ট দিরেক্টর মাহুদ/এগজিক্যুটিব ওফিসার ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ঙাঙোম উতমনি। ওফিসার খরা অসিগী চাং মান্ননা হোৎনমিন্নবগী পাঙ্গলনা ঙসি ঐগী মণিপুরদসু স্মার্ট সিটি উবা ফংগদৌরিবনি। থাগৎফম থোকই লমদমসিগী প্রজা পূন্নমক্লা মতিক চারবা ওফিসার খরা অসিবু। লন্নাই ওইনসু থাগৎপা ফোঙদোক্কুনা তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

অহানবগী ওইনা সিটি ২০ খনগৎপদা য়াওরক্ত্রবসু অনীশুবগী ফেজ সিটি ২৩ খনগৎপদদি য়াওদুনা ক্রোর ১১৭০ গী ডি পি আর সবমিট তৌবা লোইখ্রবনি। শেমদোক শেমজিন হাপতোক হাপচিন খরা তৌরগা মথং শেনবা চহী ২০১৬-১৭ কী বজেট ইষ্টিমেট মনুংদদি ঐগী ইম্ফাল সহর স্মার্ট সিটিগী মিংথোল ফংলদবনি। হায়রিবা শেলফম অসি প্রোজেক্ট অসিদা খূৎশম্নরিবা কাঙলূপ অহুম হায়বদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট পার্টিশিংগা পুল্লগা পুথোকমিন্নগদবা শেলফমনি। অদুবু ইম্ফাল সহরগী ওইনদি হৌজিক ফাওবা প্রাইভেট পার্টনরশিপকী খুদোংচাবা ফংদ্রিবনি। মথক্কী শেলফমসি য়ামদ্রবদা ক্রোর ৫০০/৬০০ মুক্তি হেনগৎলক্লবগী মচাক অমসু ওইরিবনি। মসি পূন্নমক অসি মনীং মমাঙগী অহোবা লৈহন্দনবা হোৎনরিবা ওফিসারশিংনা প্রজাশিংগী থাজবা মাঙহল্লোই হায়বসু থমজরি।

মতমগী অহোংবনা চীংয়া তময়াদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক ঙসিদি চীল্লবা সিটি অসিদা হিংনবগী খোং থাংজিল্লকপসু লেপ্পা লৈত্রি। মীওইবনা হিংবদা মরেক মহাও থোক্লা হিংগে হায়রবদি সিটিগী খুদোংচাবা লৌবা তারকই। মরম অদুনা সিটি অমদা পূন্না ফংগদবা বেসিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর খুদিংমক ফংহন্দবা য়াদবা ওইরকপদগী অশানবা মীৎয়েং য়েংবা হৌনরকপনি। স্মার্ট সিটি অমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা স্মার্ট সোলুসন খরা অদু কুপ্পা য়েংবা চঙলিবনি। মসিগী মতাংদনি প্রজা য়াওনা জ্ঞান তামিন্নবা অমা চংলি হায়দুনা থমজরিবসে। লৈঙাক্কী মীওইশিংদা পূন্নমক ইন্থোকপীদনা লৈপাক মীয়ামগী মীৎয়েংসু চীংশিনজরি।

স্মার্ট সিটি অমা ওইনবা হোৎনবদা চঙলিবা স্মার্ট সোলুসনগী কেটাগোরি তরুক দরকার লৈ হায়রি। মখোয়শিং অদুদি ঃ (১) ঈ-গভর্ণান্স (২) ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট (৩) ইনর্জি মেনেজমেন্ট (৪) ৱাটর মেনেজমেন্ট (৫) অর্বান মেনেজমেন্ট (৬) অতৈ অতৈনি।

অহানবগী ঈ-গভর্ণান্স হায়না পল্লকপদা উগদৌরিবসি, প্রজা অমনা মশাগী যূমদা অদুমক ফম্লগা ইন্টরনেটকী খুত্থাংদা মানা পাল্লিবা অমদি মানা য়ৌহন্নিংলিবা মফম/ওথোরিটি অদুদা খুদক্তা য়ৌহনবা ঙম্বগী খুদোংচাবশিং অদুবুনি খঙনরি। অনীশুবদা ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাং অসি ফনা য়াম্না অহোংবা লৈরবদৌনা তৌরিবসিসু প্রজাশিংগী সহযোগ য়াম্না দরকার ওইরিবনি। যূমথোং খুদিংগী ফত্ত হৌদি লৌথোক্লবা হোৎনবসিদসু মপুং ফানা মায় পাকপা ঙমদ্রি। থঙনবা যূমদুনদি থাদা লুপা ১৫০ অমোৎপা ফত্ত-হৌদি লৌথোকপীনবগী ভারা হুল্লি। লৈমিন্নরিবদুনদি মাগী ফত্ত-হৌদি ময়াম অদু অচৌবা খাউদা হাপ্লগা তুরেলদা লংথনবা পুথোরকপা থেঙনরি। মসিনি অশোইবা হায়রিবসে। ভারা তিংনিংদ্রবসু মাগী অমোৎপদুনা মরম ওইরগা মীয়ামগী মোৎহন্নিংদবা জগাদুদদি অদুম মোৎলি। পূন্নমক চাউখৎপা স্মার্ট সিটি অমা ওইহনসি হায়রবদি থাদা লুপা ১৫০/১৫০ খক এন জি ও অদুদা খূৎশিন্নখিবনা ঐগী ইশাগী অনানবা জগা অমদি ঐখোয় পূন্নমক অনানবা সিটি অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং পাংগদৌরিবনি। মসিসু য়াম্না কুপ্পা খন্থনিঙাই ওইরিবনি। খন্দুনা য়েংবিয়ু অনানবা সহর অমা হায়বদু ওইরকপদা ঐনা ঐগী ওইনা ইনীং তম্না চৎপা ফংজরবদি কয়াদা নুংঙাইগবা। ঐ ইথন্তনদি শেল্লগা ওইথোকপা য়াবা নত্তে। অসিগুল্লবা স্মার্ট সিটি অমা ওইনবগী পান্দমদি লৈঙাক্কী মথৌ চীল্লবা মশক নাইবা ওফিসারশিংগী মথৌ ওইজরসনু। প্রজা ঐখোয়না চাউনা মতেং পাংশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা অদুসু ঐখোয়গী মাইকৈদগীসু থমসি।

অহুমশুবদা লৈঙাক্লা স্মার্ট সিটি অমগী অহৌবা খোঙথাং ওইনা ইনর্জি মেনেজমেন্টতা প্রি পেদনা খুদোংচাবা ফংহনবা হৌরে। কয়া য়াম্না কান্নরবা ঐগী প্রি পেদ মিটরদা রিচার্জ হাপত্রবদি ঐনা মৈগী শীজিন্ননিংবা চাং শীজিন্নবা ঙমদ্রে। লৈঙাক্তা তাইনরুবা য়ারিবরা। জ্ঞান তাদবা লোন্না হুরান্দুনা শীজিন্ননিংবা ময়াম অদুগী কোক্লা লৈঙাক্লা শাবা; মদু পূন্নমক প্রি পেদ লাকপদগী অচৌবা অহোংবা লৈরে। ইনর্জিগী মাইকৈদা বিল তোল্লি তোন্দেগী অৱাবা চৈথেং হৌজিক্তি লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারবনি। মতৌ অসুম্না ৱাটর মেনেজমেন্টকী মতাংদসু অনৌবা ময়োলগী খোঙথাং অসিদা শোইদনা ওল্লক্কনি থাজরি। অদুবু থক্লনবা ঈশিংগী চাং অসিদি মৈগী প্রি পেদ মিটরগুম্না হোৎনবদি খরা লুনা থোক্কদবা মাল্লি। যূমথোং খুদিংগী ঈশিং পীনবগী পান্দম লৈঙাক্কী ওইনদি অরাইবা ওইরোইদৌরি। ফনা য়াম্না ত্রিতেদ ৱাটর ফংদবা যূমথোং মরাং কাইরি। অমদি লৈঙাক মনুংদা পুকচেল শেংদবসু ময়াম অমা লৈরি হায়নিংই। অদুবু হোৎনববু লেপত্রবদি নোংমদি শোইদনা স্মার্ট সিটিনা পুরকপা ওইরসনু।

মঙাশুবদা অর্বান মোবিলিটিগী মতাংদনা খোংনা চৎনবা লম্বী অসি প্রজাশিংনা স্মার্ট সিটি অদুগী মনুংদা কদাই ফাওবা মনীং তম্না চৎপা ফংগদৌরিবগে। ৱাহং অসিদনি মীয়াম্না অপেনবা পোকপগী খুদোংচাবা লৌবা ফংগনি খঞ্জরিবা। অথোইবা সহর ওইরকপদা খোং লম্বীগী কান্নবা মীপুম খুদিংনা ফংনিংলমগনি। লন্নাই গাড়ী মশীং হেনগৎপগী খুদোংথীবা নংদনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম ফগৎহনবাহায়রিবা অসিসু লৈঙাক্কী চাউরবা মথৌনি। হোৎনবসু য়ারিবনি। জননুরমগী বসকী মতাংদা তৌরোই হায়না তৌখিদবা মানবা থৌওং অদু হৌজিক্তি মশানা তৌরক্তবা য়ারোইদৌরিবনি। কিলোমিটর ২০/৩০ গী লম্বী অমা চৎপদা লুপা ২০ পব্লিক ত্রান্সপোর্টতদি ভারা ওইবা য়ারিবনিনা কয়াদা খুদোং চাহনখ্রবা। অদুবু লন্নাই গাড়ী চাকা মরিনা চৎপা তারবদি লুপা ২৫০/৩০০ দি তিংলিবনি। ইকনমিদা য়েংলুরগসু সেব তৌরিবা অদুনদি পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম ফগৎহনবসি মথৌ তাবনি। হৌজিক হৌজিকমক অনানবা অফবা অমা ওইদ্রবসু অর্বান মোবিলিটিগী খুদোংচাবদি দিজল ওটো অমদি টাটা মেজিক্লা মপুং ফানা পাঙথোক্লি হায়না লৌবা তাই। ওটো অমদি মেজিক্লা লেসন অমা ওইরগা কোন্থোং খুদিং, লৈরক খুদিং পব্লিক ত্রান্সপোর্টকী খুদোংচাবা ফংলিবসি য়েংমিন্নবা য়ারে। মসিগী সিষ্টেম অসি খরা সাইর্ন্টিফিকেল্লি ওইবা মওংদা পোলুসনগী গাইদলাইন পূন্নমক ইন্দুনা চৎনবা ঙল্লবদি অর্বান মোবিলিটিগী সোলুসনসিমসু মপুং ফাগদৌরমাল্লে হায়নিংই। লোয়ননা স্মার্ট পার্কিং সিষ্টেম অসিনি অচৌবা অওনবা অমা ওইহন্নিংলিবসি। ইম্ফাল সহরগা শিল্লোং সহরগা পার্কিং সিষ্টেম য়েংনবদা চাউনা খেন্নরিবসি কুপ্পা য়েংবা দরকার লৈরিবনি। চাউনা খেন্নবা পীক্লা খেন্নবা পূন্নমক থাদোক্লগা হৌজিক্তি স্মার্ট সিটি অমগী মঙলান মঙফাওনগদৌরবনি। স্মার্ট পার্কিংগী মতম তেল্লবসু তেন্না ঙাইমিন্নবা তারি। স্মার্ট পার্কিং অদুদা ওইরকপা য়াবা কাঙলোনশিং অসি মহৌশাগী পাউনা, থাঙ্গাল, এম জি এভেন্যুগুম্বদা লৈরিবা পার্কিং অসিগুম্বা অসি ওইরোইদৌরিবনি। মশা নানবা কম্প্যুটরাইজ ওইবা মতম মাঙহন্দবা সিষ্টেমেটিকেল পার্কিং এরিয়া ওইগদৌরিবনি। ঐনা ঐগী গাড়ী অদু পার্কিং এরিয়া অদুদা থমগে হায়বগী ইঙ্গিৎতা পীবদা পার্কিং জোন অদুগী ইমপ্লোয় অদুনা খুদিংমক হোৎনবা মাগী মথৌনি। শুপ্নগী গাড়ী অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরদা ককপা কম্প্যুটরাইজ তৌরবা পাস অমখক্লা মফম চানা থম্লুবা অমদি থৌদোরকপা লোইনমক মখোয়গী দায়ত্ব ওইরে। স্মার্ট সিটি ওইরকপদা মীপুম খুদিংমক স্মার্ট ওইদবা য়াদবনি।

তরুকশুবদা অতৈ খরা হায়রিবা অসিগী ৱাহন্থোক অসিনা অমুক্কসু হেন্না মরু ওইরি। স্মার্ট সিটি অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা বেসিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর ময়াম অমদি লৈঙাক্লা শেন্বী শাবিগদৌরি। অদুবু স্মার্ট ওইরবা সিটি অদুদা লৈগদৌরিবা ঐ ইশাসি স্মার্ট সিটি অদুগী সিটিজন ওইবদা মতিক চারবরা নৎত্রগা ঐগী শেন্থোক লম্বী অসি স্মার্ট ওইরে হায়না লৌবা য়ারবরা ৱাহং কয়ামরুমনি থোরক্লিবা। মসিগীদমকসু প্রোজেক্ট অসিনা কোনশিল্লিবসি ট্রেদিং ফেসিলিটি অচৌ অচৌবা সোপ্পিং মোল কয়া অমগী খুদোংচাবসু ফংহনগদৌরি। অপাম্বা পোৎ খুদিং লাপ্পা চৎতুনা কোইথি থিবগী অরেম্বদা মতম মাঙহনবা মুথৎকদৌরিবনি। নহারোলশিংনা মশাগী স্কিলদি লৈজবা, শেন্থোক লম্বী মরাং কায়দবা কয়াবুসু শীনফম কয়াদা মায়পুননা স্মার্ট সিটিজন অমা ওইবা ঙম্নবা হিংবগী লম্বী পীনবসু মশীং নাইদনা য়াওরি। অদুনদি ঐখোয় পূন্নমক্লা স্মার্ট সিটি অমা ওইরকপদা সিটি অদুগী তুংইন্দুনা অপীক অপীকপা টাউন খুদিংমকসু স্মার্ট টাউন ওইহন্দুনা হিংমিন্নবগী মচাক কয়ামরুম তমহৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৌহৌসি। মসিগী মতাংদা অমুক্কসু হন্না নীংশিংজরবদা জনরম প্রোজেক্টকী মখাদা পায়খৎপা কম্পোনেন্ট অমা ওইখিবা ইন্টিগ্রেটেদ হাউজিং এন্দ স্লম দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (আই ঐচ এস দি পি) নি। প্রোগ্রাম অসি ঙসিদি মমিংগী চয়েৎনবা খরা লৈবদগী ওন্থোক ওনশিন তৌদুনা মখা চত্থবদা অপনবা খরা ওইরি। অদুবু জন্নুরম মপুং ফানা পায়খৎখিবা মতমদুদা মণিপুরগী যু এল বি ২৮ গী মনুংদা অহানবা ফেজ ওইনা পায়খৎখিবা যু এল বি খরা অদুদি :

(২) ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (২) থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (৩) ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (৪) বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (৫) জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল

যু এল বি মঙা অসিগী মনুংদা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা সিটি ইন ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ আই ঐচ এস দি পি- জন্নুরম (ফোর যু এল বিজ ইন স্মোল ষ্টেটস এন্দ স্পিসিয়েল কেটাগোরি ষ্টেটস/যুনিয়ন টেরিটোরিজ) ফোর দি ইয়র ২০১২-১৩ ফংবা ঙমখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীদি কয়াদা চাউথোকচনিঙাই ওইখ্রবা। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী জান্যুৱারী ২১ দা ইন্দিয়াগী ইকায়খুম্নরবা প্রসিদেন্টনা ন্যু দিল্লিগী বিজ্ঞান ভাবন্দা মতমদুগী কমিস্নার মাহুদ এস সুন্দরলালদা খূৎশিন্নবিখি। জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী একজিক্যুটিভ ওফিসার থিংবাইজম হরিকুমার অমদি দিরেক্টর মাহুদ নেপ্রম গীতকুমারগী হোৎনজমন্না ইন্দিয়াগী লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি ফংখিবনি। থিংবাইজম হরিকুমার যু এল বি ২৮ গী ঈ ও ময়ামগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মশক থোক্লা তৌরিবা ওফিসার অমনি। দিরেক্টর মাহুদকী ওইথংবা পাম্বোমনি হায়দুনা জিরিবামদা পোষ্টিং লৈরবু অশংবা মতম কয়াদদি দিরেক্টর মাহুদকী ৱাতানফম ওইরিবনি। মদুমক্লা বেষ্ট সিটি ওফ আই ঐচ এস দি পি এৱার্দ ফংবা ঙমখিবনি। ৱাফম মতেক অসি পুশিনজরকপদি স্মার্ট সিটিগী হোৎনবা য়াবা হোৎনবিরিবা দিরেক্টর মাহুদ, জোইন্ট দিরেক্টর মাহুদ অতৈ অতৈগী হোৎজমন কাউবা য়ারোই হায়না লৈবাক মীয়ামদা থমজবনি। স্মার্ট সিটিখক্তা নত্তনা মমাঙদগী অচৌ অচৌবা অর্বান মিনিষ্ট্রিগী প্রোজেক্ট কয়াদা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখ্রবা দিরেক্টর মাহুদনি। মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুং ইন্না অরেম্বদা মতম হায়বদু মচেৎ অমত্তা মাঙহন্দনা যু এল বি খুদিংমক্কী চাউখৎ থৌরাঙদতা হোৎনবদা মথৌ চিল্লবা দিরেক্টর মাহুদ ঙসি ফাওবদি লৈঙাক্কী মাইকৈদগী শীংথানিংঙাই ওইবা ওফিসার অমগী মতিক ময়াইদি হাপ্পী হায়বা তাবা ফংজদ্রি। ময়াই হাপ্লবসু হাপত্রবসু তৌফম থোকপা থৌদাং অদুদি পাঙথোক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্ত্রবা দিরেক্টর মাহুদনি। ইম্ফাল সহরগী স্মার্ট সিটি অমা ওইনবগী লাল্লোং য়াৎপা লোইদ্রিঙৈদা হন্দক পাঙথোকখিবা যু এল বি পূন্নমক্কী মীখলগী ফল লাউথোকপা লোইখ্রবনি। অমুক্কসু হেন্না মথৌ চীনবা হায়বদু ওইরে। অদুমকপু ইম্ফাল সহরনা স্মার্ট সিটি ওইনবা হোৎনবদা চঙবা মচাক পূন্নমক খোমজিন্দুনা শেম শাবা লোইরে। অদুনা কৈদৌঙৈদসু ইম্ফাল সহরনা স্মার্ট সিটি ওইনবা হোৎনবদা দিরেক্টর মাহুদ নেপ্রম গীতকুমার লৈরিবমখৈদি স্মার্ট সিটিগী পাঙ্গল ময়েং তাবা লৈরোইদ্রা হায়বা ৱাফম অসিমত্তংসু মীয়ামদা থমজগে ।।

*“ওটো অমদি মেজিক্লা লেসন অমা ওইরগা কোন্থোং খুদিং, লৈরক খুদিং পব্লিক ত্রান্সপোর্টকী খুদোংচাবা ফংলিবসি য়েংমিন্নবা য়ারে। মসিগী সিষ্টেম অসি খরা সাইন্টিফিকেল্লি ওইবা মওংদা পোলুসনগী গাইদলাইন পূন্নমক ইন্দুনা চৎনবা ঙল্লবদি অর্বান মোবিলিটিগী সোলুসনসিমসু মপুং ফাগদৌরমাল্লে হায়নিংই। লোয়ননা স্মার্ট পার্কিং সিষ্টেম অসিনি অচৌবা অওনবা অমা ওইহন্নিংলিবসি। ইম্ফাল সহরগা শিল্লোং সহরগা পার্কিং সিষ্টেম য়েংনবদা চাউনা খেন্নরিবসি কুপ্পা য়েংবা দরকার লৈরিবনি।”*

সোরোক নোরেন

**খঙহঞ্জবা**

**পাউ চে অসিদা হাপ্পনবা মতম-মতমগী ৱারেং/শৈরেং/ৱারীমচা/চিঠিনচিংবা থাবিরকপশিংনা থাবিরক্লিবা অইবা অদু খূৎই নৎত্রগা নমথোক্লবা কোপি ওইনা পীবিরকউ। লোয়ননা ইবিরকপা মতমদা লামায় নাম্মতমক ইবিরকউ।**

**জেরোক্স কোপি ওইনা পীবিরকপশিংগীদি হাপ্পনবা খন্নজরোই। অদুগা ইবিরিবশিংগী মিং, লৈফম অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা হাপ্পীরকউ।**

*—হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*